ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯰꯶, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেন, ওক্টোবর ০৬, ২০২২, ইম্ফাল

৪৬শুবা চহী, ১৯০শুবা মশীং

# এস টি লিষ্টতা মীতৈ/মৈতৈ

## সেন্টরনা মমৈ থেকহল্লকপা য়াগদ্রা

মণিপুরগী ফুরুপ-কাঙলূপ পূম্নমক্কী মনুংদগী য়েলহৌমী ওইজরক্লিবা মীতৈ/মৈতৈনা ফুরুপসিবু কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী সেদ্যুল্ড ট্রাইব (এস টি) গী লিষ্টতা চলহনবীয়ু, চলহন্নবা হোৎনবীয়ু, মসিগী মথৌ তাবা রেকম্মেন্দেসনশিং থাবীয়ু হায়দুনা তক্নরক্লিবসি কুইরে। তকশিল্লকপা মতম শাংলে। চহী ১০ হেঞ্জিল্লক্লে। অদুবু হকথেংনরিবা মণিপুর লৈঙাক্তদি নুংশিৎ মায়রম লশিং কাপ্পা, নূঙদা ঈশিং চাইবা অমসুং লৈচিলদা তেন কাপ্পগী ফীভমদা অদুম্মক লৈরে। হোয়সু হায়দে, মাইসু হায়দ্রে। মচি শুংলেং লেংদনা লৈরে। নুমিৎ কয়ানি তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা ৱাকৎ মীফমশিং চথরক্লি। মমাঙদসু খোঙজং কয়া চঙশিনখ্রে। জেনরেল ষ্ট্রাইক্কী খোঙজং ফাওবা য়াওখ্রে। মচি লেংদ্রে, কান্নদ্রে হায়দুনা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংশিং তোক্লো, চথরক্লনু হায়বা নত্তে। তাল্লিবা দিমান্দ অমসুং ফংনীংলিবা পান্দমদু ফংদ্রিবা ফাওবদি চঙশিনখিবা তাবনি। থম্বাল হেক্কে নীংলগা তিঙ্খং কিদুনা হনগদবদি নত্তে। অদুবু চহী ১০ হেন্না খোঙজং চঙশিল্লক্লবসু হৌজিক ফাওবদা দিমান্দসিগী মতাংদা পূক্নিং লূম্বা ফীভম অমদা লৈরকপা ঙমদ্রবনিনা কৈদৌবা তাবগে? অনদেমোক্রেটিক ওইবা ভাইওলেন্সকী খোঙজংশিং চঙশিনবদি মণিপুর মীয়ামদা মহাম তারকপা য়াওগনি। মীয়ামগী মমল য়াম্লবা পুন্সি অমসুং লন-থুম্নচিংবা মাঙলক্কনি। হায়রিবা মখলগী খোঙজংশিংদু চঙশিল্লকপদা হকথেংননা মাঙজগদৌরিবসি এস টি লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়রিবা মীতৈ/মৈতৈনি। অদুনা লিনসু শিনবা অদুগা চৈশু তেক্তুনবা কৈদৌসিগে হায়বরোমদা খন্নদুনা চঙশিনবা চুম্লগনি হায়নীংই।

মীতৈ/মৈতৈবু সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী লিষ্টতা চলহনবগী থবকসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্না তৌগদবনি। মণিপুর লৈঙাক্না পঙদুনা অমসুং মিৎ উদনা লৈরক্লিবনা এস টি লিষ্টতা চনবদা তঙাইফদনা চঙলিবা মরী লৈনবা রিপোর্টশিং য়াওবা রেকম্মেন্দেসন থাবিয়ু হায়বা য়াদবনি। য়াদবগী মরমসু হায়দবনি। থারগে হায়রবসু ফোঙদোরক্তবনি। ঈশিং মনুংদা লৈতুম থাদবদৌনা তূমিন্না চুপ লুপ্তুনা লৈথোরকপনি। অদুবু ফীভমসিদা লৈথোরক্লে হায়দুনা খোঙজংশিং মখা শাংথনা চথরক্লিবনি। মসিদসু তারক্ত্রবনি। মসি ওইরগদি মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহনগদৌরিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী অঙম্বশিংদুদা হায়রগা মখোয়না মণিপুর লৈঙাক্তা শোয়দনা অকক্নবা মতম অমগী মনুংদা থারক্কদবনি হায়দুনা হায়হল্লক্নবা হোৎনরুবা রোমদসু কদাই ফাওবা ওইথোকপা য়াগদগে য়ারোইদগে হায়দুনা খন্নহন্নীংই। হায়বদি নীংঙাইদনা কুন্দুনা লৈবা ষণদি মমৈ থেক্ত্রবদি শাজৈনা কল্লবসু, ৱাকোক্না থোম্লবসু হৌগৎলরোইদো হায়দুনা কুনখ্রবদি হৌগৎহনবা ঙম্লোই। অদুনা মায়কৈ অশোমদসু চংশিনবদা মহয় য়ানগদ্রা-য়াল্লোইদ্রা হায়না খন্নবা চুমগনি। মরমদি মণিপুর লৈঙাক্না হকথেংনৈ হায়বগী ৱানি, য়ুনিয়ন লৈঙাকসু মীতৈ/মৈতৈগী শরুক য়াওরিবনি। মরম অসিনা মীয়ামগী য়াকা য়েংলগা য়ুনিয়ন লৈঙাক্নসু থবক তৌরকফম থোকইনা। মসিগী মথক্তা চপ মান্নবা ইঞ্জিন অনীগী ‘দবল ইঞ্জিন’ গী লৈঙাক অনীনা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চনবগী মতাংদা ইন্থোক-ইনশিন তৌদুনা লৈরম্বা ওইরগনা কুমজা ২০২৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্ট মীখলদা মীতৈ/মৈতৈ য়াওজররোই হায়রকপা তাবা নৎত্রা? লৈবাকসিগী মপা মহাত্মা গান্ধীনা চঙশিনখিবা নীংতম ঈহৌদা অচৌবা খূৎলায় অমা ওইখিবা ‘নন-কোওপরেসন মুভমেন্ট’ অদুম্মক চঙশিনবসু য়াই। দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংনি। মরম অসিনা কৈদৌরগা য়াগদগে হায়বসি খন্নবা চুমগনি খল্লি। চৈরকসিদা দিমান্দ অসিগী মতাংদা মীয়াম হুপ্না ৱাখল তামিন্নবসু চুমগনি হায়নীংই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫১

১) **“লমজিংবা”** (১৯৬৭) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **“তৎলবা য়োলহিং লক্তা শমজিন্নবা”** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপগে?

৩) **“হৌগৎলোনে চান্নবী থোং হাংদোক্লো”** কৌবা লাইরিক অসি মণিপুর মপান লমগী অইবা অমনা ইবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **“য়িমুং কোকফাই শৌ। ফদি ফরালৈ। ১০ চাকথম। চাগুম খুজামলত। চাকখুম লুখাক ৱাইতৈনা। ফকলাং মিরাংখা। লকাং মারি য়াল। লাকুম শিংগুম। ফুলৈ রাবাদা। শিদবী ঐনা মাই ওনশনদেয়।”** ৱাহৈ পরেং খরা অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

৫) **“নীংশিংলি হৌখ্রবা মতমদো”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৯৩

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

নীংশিংবা হায়বসি মরী চৎলি হায়নবদু অচুম্বনি। নীংশিংবা হৌখ্রবদি লেপ্তুনা ৱারী কয়া থৌদোক কয়া থোরকখি। ময়াম অদুগী মনুংদা পুন্সিসিদা কাউবা ঙম্লরোইদবা কয়া অমা ঐগী নীংশিং থোঙনাওদগী উরক্লি। মতমদো কয়াদা নুংশিখ্রবনো? মণিপুরদা মশা মউ লিংনা লৈরম্বা অহল লমনশিংগী শুমাং লীলা, মতমগী ইরোলনুংদা তপ্না তপ্না লুপশিনবা হৌরকখি। মতাংসিদা হায়ফেত্তং নীংশিংবা য়াবদি, শুমাং লীলাগী পরিং অমা শাংনা লৈরকখি। ফাগি লীলা, থোক লীলা, মোইরাং পর্ব্ব, মখল মথেল কয়াগী লীলা মশান্না ময়াম অমা লৈরমখি। মতম মতমগী ওইনা য়াম্না মমিং লৈখিবা ঙাক্তনি। কুমজা ১৯৭০গী মতমদদি মণিপুরী শুমাং লীলাগী দিভেলপমেন্টসি লাকপা হৌখিবনি। মতমদুগী লীলা কয়াদা ফেমিলিগী ওইবা ৱারী শীংবুন, করপসনগী ওইবা মতাংগী কাচিন কোয়া য়ৌনা নৈনদুনা উৎপা, পোলিটিকেলগী ওইবা হোংলক্লিবা লৈঙাক পরিং, অনৌবা এদ্যুকেসন সিষ্টম লাকপগী, মতমগী অহল লমনশিংগা নহাশিংগগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা মদুগী মরৈ অমদি মদুগী ওইরিক্লবা সোসল চেঞ্জেস কয়াগী মতাংদা, মীওইবগী পুকচেল হোংলক্লিবা, মাঙখ্রবা মীনুংশিগী খোঙ্গুল লীবা ৱারী শিংবুন কয়াদা লীলা কয়া শান্নরকখিবনি। অদুবু মতমগী অহোংবা মতুংইন্না কুমজা ১৯৭০গী লোইশিল্লকপদদি ঈশৈ য়াওবা, ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট (হারমোনিয়ম/টবলা/গিটর) য়াওবা মখলগী লীলা মখল অমা (ময়াম্না ঈশৈ লীলা হায়না খঙনবা) থোরকপদগী মীয়ামগী মীৎয়েং পূম্নমক মখোয়দা য়েংবা হৌরকখি। হান্নগী লৈরম্বা লীলা কয়াগী মপাঙ্গল অসুম অসুম হন্থরক্তুনা ঈশৈ লীলানা মমায় থাংগৎলকখি। কুমজা ১৯৮০ ময়ায় চনশিল্লকপদদি অরিবা লীলাগী তাঙ্কক অমা লোইশিনখি। মতম অদুদা ময়াম মরক্তা য়েপ্তুনা থেংলবা মতম ফাওবা মীয়ামগী পূক্নিংবু পেলহনবীরম্বা ‘ইপোম’ হায়না খঙনবা মণিপুরগী মমিং লৈরবা ফাগি পুবা লাইগুল্লবা ওজা অহলশিং - ওইনাম বাবু, তখেল্লম্বম চাওবা, শগোলশেম তোম্বী (ময়াম্না লম য়ৌনা ময়াং ইম্ফাল তোম্বী হায়না খঙনবা), কাঙুজম অচৌবীনা ইপোম লীলা শান্নদুনা মীয়ামগী পূক্নিং খোইদৌবু শান্নরম্বা অদুসু মফম ফাওবা ফংবা ঙম্লক্তবা মতম অদু করম্না ঐনা কাউবা ঙমগনি। ওজাশিং অদুগী ফাগি মওং মখোয় মখোয়গী ষ্টাইলশিং অদু তোঙানবা ঙাক্তনি। ইশম শম্না স্কুল অমগুম্বনি। ৱা ইঙাঙ ঙাঙদনা ৱাহৈ অমা অনী শৎ শৎ থেৎচিল্লকপদা পূক্নি হেক্তা পায়দুনা নোকহনবা ঙম্বা, ৱা ঙাঙবদা ঈশিং লিৎতনা মরী মরী শম্নহন্দুনা, ফোঙদোক্নিংলিবা খুদিংমকসু মচা তানা তানা মীয়ামদা খঙহন্দুনা অপেনবা পীরম্মী। ইমেঙ মেঙনা শারু শারুবা খুদিংমক ইপক্তা পকচবা, ঙাঙথোক শক্তোরকপদা মরাসি য়াম্না য়াওবা ওজাশিং অদুনা মতম মতমদুগা চুননা শেম্লবা ফাগি মখল কয়ানা ঙসিসু মীয়াম্বু নোকহনবতা নত্তনা পূক্নিং লৌশিংগী পুক্কেসু থলহনবীরি। কয়াদা মমল নাইখ্রবনো? ঙসিদি অহল ওজাশিং অদু লাইগী খুয়া তানখ্রে।

হান্না লৈরম্বা শুমাং লীলাসু মপাঙ্গল শোন্থদুনা মঙম শাল্লক্তবা, ঈশৈ লীলানা মীয়ামগী পূক্নিংবু হুমদুনা পুরকপা মতম অদুদা ওজাশিং অদুনা ‘ইপোম’ হায়বা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী থৌরমদা লান্থোকখিবা ফাগিগী নাচোম ওইবা অদুদা মপূং ফানা শেমগৎলগা শান্নবা লীলা মখল অমসু ওজাশিং অদুনা কন্না তৌবীরমখিবনি। অদুবু হান্না লৈরম্বা শুমাং লীলানা মরাই চাইথরকপদা ওজাশিং অদুগী ইপোমগী মফমসু কনবা ৱারকখি। মতম অদুদা ওজা অহলশিং অদুনা মখোয়গী পর্ফোর্মেন্স উৎনবগী মফম লৈরক্তবা কয়া অদুনা মরম ওইদুনা মপূক্নিং হন্থরকখিবা কয়া অদু ঐনা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইখিদে। শেল থুমগী ৱা নত্তনা, মথ্বায়না পামজদুনা মখোয়না পর্ফোর্মেন্স উত্তুনা শোন্থরবা অহলশিং অদুগী পূক্নিং ৱাখলবু ময়োল চোংহনবদুনি পামজখিবা। লৈবাক্কী ওইনা অদুক্কী মতিক মমিং চৎখ্রবা, হৌজিকসু মণিপুরী ফাগিগী য়োৎশবী মখোঙ অহুম হায়না হায়নরিবা ওজাশিং অদুনা মখোয়গী অহল ওইশিল্লক্লবা মতমদা পামজবা লীলাগী শো উৎপা ফংখিদবা হায়বসি ঐঙোন্দা য়াম্না নুংঙাইজখিদবা ফাওখি। অদুনা মখোয়গী শো উৎনবা কন্না হোৎনজখি। মতম অদুদা ঐখোয়গী লীলা কাঙলূপ অসি মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা মতম হায়বদুসু ওইখি। অদুনা ঐখোয়গী লীলাসি অথেংবা ফাওবদাঅশংবা মতম ঙাইনদুনা কৌনখি। অদুনা ঐখোয়বু ঙাইবদসু ময়াম্না ৱাদনবা, অদুগা ঐখোয়না থেংলে হায়না ময়াম্নসু শাউদনবা, লীলা কৌরিবা কাঙবু অদুদা ইপোম লীলাদু তৌহনবীরম্মু হায়দুনা হায়নখি। ঐনা ওজাশিং অদুগী পার্টিগী রিসিপ্ট বুক অদু থমদুনা ইপোম লীলাগী চেবাউলৌখি। মখোয়গী শেনফম লীলা কৌরিবশিংনা খরা পুথোক, ঐখোয়না খরা হাপ তৌদুনা ইপোম লীলাবু কন্না য়োকখৎনবা থৌরাং অমসু লাংখি। মমল নাইখিদ্রবা অহলশিং অদুনা শেল য়াম্না ফংবা ফংদবা থিদনা মখোয়গী পর্ফোর্মেন্সশিং অদু মীয়ামদা উৎলগা মীয়াম্না পেঞ্জবা কয়া অদু উবদা মখোয়গীসু অপেনবা হায়বদু ওইখি। অদুনা ঐখোয়না লাক্ত্রিঙৈদা ওজাশিং অদুগী ইপোম অদু কন্না শান্নখি। অদুগুম্লবা অহলশিং অদুগী অরোইবা মতম লাকপদা লাইনা চানবীবা হায়গদ্রা মনাক্তা ঙাইহাক্তা ওইরসু লৈজহৌনবগী তাঞ্জা ফংখিবা অদুমকসু ঐ ইশাগী নুংঙাইজবা ওইখি। ওজা ওইনাম বাবু মশাগী অনাবা অমদগী হোস্পিটালদা পুখৎলকপা মতমদা থেংনজখি। ওজানা লৈখিদবা মতমদা মণিপুরগী খ্বাইদগী মমল য়াম্বা আর্টিষ্ট অমনি হায়না লৌজদুনা অচৌবা প্রোসেসন অমসু চৎনবা কন্না শিন লাংজদুনা মীয়ামগা লোয়ননা পাঙথোকমিন্নখি। মণিপুরগী শুমাং লীলাগী ওফিস অয়াম্বা পাওনা বজারদা লৈরমখি। মদুদা লীলা ওফিস খুদিংমক্কী আর্টিষ্টশিংনা লৈখিদ্রবা ওজা অসিগী মফমদা লৈ কৎনবগী খুদোংচাবা পীদুনা পাওনা বজারদা পুরক্তুনা লৈ কৎনখি। মতমদু ঐহাক ইশামক মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুজবা মতমসু ওইখি। অদুগী মতুংদা টিদ্দিম লম্বীদা লাক্তুনা ওজাগী য়ূম ফাওবা হকচাং পুদুনা মীয়ামদা অরোইবা বিদাই পীদুনা শাংলবা খোঙচৎ অদু চৎখিবনি। ওজা শগোলশেম তোম্বীসু মহাক্না মশাগী অনাবা অমদগী হোস্পিটালদা পুখৎলকখিবদু নুমিদাংৱাইরমগী পুং ৩.৩০ মুক তাবা মতমনি। ওজাগী মচানুপা অমনা ঐবু উবদা পাউদু তম্বদগী ঐহাক ইশামক ওজাগী মনাক তম্না রিমসকী কেজুএলিটিদা চেনশিনখি। ওজাবু লায়কন্নবদা শরুক য়াজবা ফংজহৌখি। অদুবু লাইবক থীবদি মতম কক্না পীরকপা মীওইবগী পুন্সি ওইখিবনা কনবদি ঙমহৌখিদে। ওজাগী লান্ন থৌরমনচিংবা অমত্তা চিথ্রদনা শরুক য়াজরকখি। অসুম্না ওজা চাওবসু হকচাং ঙমদ্রে হায়বা তাবদা য়ূমদা চৎতুনা হংজরমখি। অদুবু লৈখিদবা নুমিৎ অমদি মদুগী চপ চাবা পাউ অদুমক্তি মতম চানা ফংজহৌদবনা অরোইবা মতমদা শরুক য়াবা ফংজহৌখিদে। কাঙুজম অচৌবী, ওজা অসিদি ময়াম্না তাচৌবী তাচৌবী হায়না কৌনবা ঐসু তাচৌবী অদুম কৌখি। মহাক্তি ঐগী পোক্নফমগী লৈকায়নি। ঐবুসু য়াম্না লুনা তৌখি। মহাক্না হিংলিঙৈ মশা খরা খরা শোনজিল্লক্লবা মতম ফাওবদা ঐগী য়ূমদা তোয়না তোয়না লাকখি। ঐনসু ঐখোয়গী লীলা কাঙবুগী আর্টিষ্টশিংদা ক্লাস লৌহন্দুনা তাকপী তম্বীবগী থবকসু তৌহনজখি। মদুদা মহাকসু য়াম্না পেঞ্জখি। মতমদুদা ঐগা লীলা পুনমিন্নখিবা লোইনমক্না নীংশিংবীরমখিগনি। তাচৌবীনা ঐগী য়ূম মক্তদা লীলা তম্বদা ফক্তবী শাগদবা হৌজিক্তি লৈখিদ্রবা দেবদত্তবু মমুৎ তানা তম্বীখিবদু তাচৌবীবু য়াম্না নুংশিখি। হন্দক মরকসি ঐনসু য়াম্না নীংশিংই। মাগী ময়ূমদা হৌবা খামেন বারমাসিকা চারা ফুক্তুনা পুরক্লগা ঐগী য়ূমদা থাজিল্লু চহী চূপ্পা চান্ননি হায়দুনা থারমখিবদু ঙসিসু কাউদ্রি। খামেনদু নীংথিনা হৌখি। পানসু য়াম্না পানখি। চহী অহুম্মুক ময়াদা হৌরমখি। মবুক য়াম্না ফবা, মশাদা চাওথোকপা হৈজদবা, আর্টিষ্ট অমা ওইবগী চপ চাবা মতিক ময়াই চেনখিবনি। অদুবু নুংশি, পাম্মুই হায়দুনা খামদুনা থিংবদি ঙমখিদে। তাইবঙ মপুনা পুদুনা চৎপীখি।

ওজা অহলশিং অদুনা খুন্নাই অসিদা তম্বীরম্বা খুদোল অদুদি অঙকপনি। কনা অমত্তনসু মখোয়গী মহুৎ শিনবা ঙমদনা অমদি মখোয়না খুন্নাইগী মীয়াম্বু অচুম্বা অফবা, নুংঙাইবা লম্বী অমদা চৎচনবগী মঙজখিবা মঙ অদু ঙসিসু তগৎ তগৎ তেক্না লৈরি। মীয়ামগী ৱারবা পূক্নিংবু ঙাইহাক্তা ওইরসু পোথাহল্লি। নীংশিংলুবদা হৌজিক্তদা ওজাশিং অদুগী মফমদা করিগুম্বা খরদা ওইরসু মতেং পাংজবা নৎত্রগা থৌনা পীজবা ঙমখিবগীদমক পূক্নিংদা নুংঙাইজবা ফাওরি। ●

# লান থোক্কেরা থোক্লোইরা, ইচা শেমদবদি য়াদে - ১

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

লান থোক্কেরা থোক্লোইরা, লৈবাক্কী, মালেমগী শেল-থুমগী ফীভম ফগেরা ফরোইরা, শেল য়াম্না থোক্কেরা থোক্লোইরা, ইচা শেম্বদি ইরায় লায়না খন্দোকপা য়াদে। ইচাদি শেমদ্রগা মীগী মচাদা ফৈ ফত্তে হায়দুনা লৈবনদি ইচাসু শেম্বা ঙম্লোই অদুগা ইচা পোকপগী মহয়সু চাবা ফংলোইদো। অতোপ্পগী মচা ফত্তবদুদা নঙ ফত্তে হায়রুবা য়াবা নত্তেদো। অদুবু ইশা ইশাগী ইচা ইশুশিংদি মমা-মপা ওইরিবা ঐখোয়না চৈবা য়াই, চৈ থাংবা ফাওবা মথৌ তাই মরম চারবদি। ঐহাক্কী ওইনদি চৈসু অদুম থাংই মরম্মু চারবদি, মথৌবু তারবদি। হৌজিকপুদি চৈ থাংবা তৌদ্রে লোইনা চাওরবনিনা। হৌজিকপুদি চৈরবসু ৱাখল তানা ওইনা ঙাঙনরে। বুং বুংসু চহী ১৫ হেল্লবনিনা চৈবদি অদুম চৈরি, অদুবু ফূবা, চৈ থাংবনচিংবদি মথৌ তাদ্রে, ৱাঙবসু ঐঙোন্দগী লোইনা হেল্লে ইচা মরিমক।



অঙাং শেম্বসিসু য়াম্না লুবা থবক অমনি। ইরায় লায়না খন্দাকপা য়াদে। অসুক চেকশিন্না শেম্নবা হোৎনরিবা অসি ফাওবা শোয়গে শোয়গে তৌরকপা কয়ানি, মরু ওইনা ইচা অহল চে চে অমদি ননাও অনীসে। মরু ওইনা খ্বাইদগী অহানবদা মমাগা ঐখোয় অনীনা খ্বাইদগী ৱাখিবসি ইচা অনীশুবা ননাওনা তীনেজ ওইরিঙৈ মতমদনি। ননাওসে মহৈ তম্বদসু থৱায় য়াওদবা অদুগা মশাদো পাত্রিক পাবনিনা শান্ন-খোৎনবদসু অদুক থৱায় য়াওদবা। অদুম ওইনমক মশা মউ খরা কন্না, ফনা লৈনবা হায়দুনা হায় স্কুল তল্লিঙৈদা স্কুলগী জিমদা শান্নহল্লি। মদুসু জিমদি চত্তনা ঐঙোন্দদি চৎলি কায়না সেরান তুরাননি মহাক্না খুল্লিবা। নোংমদি জিমদা চৎতে হায়বা খঙলকপদগী চৈসু চারবনি। সিদনি মরম চারবদি চৈ থাংবসু মথৌ তাই হায়রিসে। নোংচুপলোমগী ৱাখল্লোলদা অঙাং চৈ থাংবসি চৎনদে। চৈ থাংদবগীনি মখোয়গী অঙাংশিং অমদি মচাশিং অয়াম্বনা মমা মপাদা হায়রোইদবা, পল্লোইদবা ৱাহৈকো শীজিন্নদুনা চবেং চবেং খুল্লিবা। মসি হায় হায়দুনা অঙাং শেম্বসি কিহন্দুনা শেমগদবনি হায়জবদি নত্তেকো, মরম চারবদি চৈসু থাংবা মথৌ তাই হায়বসিনি।

শান্ন-খোৎনবসু য়াওদবনিনা স্কুল চৎত্রদি করিসু তৌনীংঙাই লৈতবনিনা ভিদিও গেমগুম্বা শান্নবা নৎত্রগা মমান্নবশিংগা কোয়থোকপা নৎত্রদি অতৈ করিসু লৈতে। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা কংলাতোংবী খুঙ্গংদা ষণ শেল্লকপা অদুম্মাইনা ষণ শেনগনি হায়বসু লৈতে সিটি মনুংদা লৈবনিনা। টাইৱান্দা ষণ শেনফমকা লৈপোৎ নত্তেদা, ফার্মদা পূন্না পূন্না লোয়বদু নত্তনা। মদুসু ষণ লোয়বা হৈবা মীশিংনা শেন্নরিবনি, অঙাংশিংনকা শেন্নবা নত্তে। থবক চিন্না থম্বীদ্রবনিনা লোইরে টাইৱানগী অঙাংশিংসে, মরু ওইনা থবক তৌবা য়াদ্রিবা, চহী ১৫গী মখাদা লৈরিবা অঙাংশিংসে মমা মপাশিংনা অফ-অফবা মোবাইল ফোন লৈশিনবীরবনিনা মতম অসুক্কী মতিক মাঙহল্লিবা। থবক তৌবা য়ারবা নহারোল কয়াসু মতম য়াম্না মাঙহল্লি ভিদিও গেমস শান্নদুনা নৎত্রগা সোসল মীদিয়াশিং শীজিন্নদুনা। ফোন লৈবীদবা ইচা ননাও ফাওবা ভিদিও গেমসতা ঙাওরিবনি, থিংনা-থিংনা। নোংমা য়ূমগী টেলিফোন বিলদা এন টি দি (নেসনল টাইৱান দোলর) লিশীং ১৫ (এন দি টি ১৫,০০০ = লুপা ৩৮,০০০) হেন লৈরম্মে হায়না থিগৎনরুবদা ইচা ননাওনা ওনলাইন ভিদিও গেমস শান্নবদা লোইশিনবা শেনফম ওইরম্মে। মদুগীসু চৈ খরদি চাখিবনি। জাৎ জাৎনি মানা তৌরম্মীসে। ইলিমেন্টরি অমদি জুনিয়র হায় স্কুল তল্লিঙৈদসু মখোয় স্কুলগী ওজাশিংনা তোয়না মমাদা আ সি তৌরম্মে, আ অদু তৌরম্মে হায়না তম্লক্লিবা। মতমদুদা কোক ঙাওখিবনি মমাসু ঐসু মহাক শেন্নবদা। অদুবু ঐহাক ইচা শেম্বসিদি ঐখোয়গী থৌদাংনি খন্দুনা মহাকপু ৱাখল তাহন্নবা হোৎনখিবনি।

ঙসিদি হোৎনজমন লেম্না মাঙদে হায়বদু তারে, ইচা ননাওনা মী অমা ওইরকপগী মহয়দো চারে। মমাসু ঐসু অসুক্কী মতিক মহাক্কীদমক চাউথোকচবা ফাওরে। লাইরিক তম্বদা থৱায় য়াওদ্রবসু ময়াম্না খ্বাইদগী কিনবা, য়াওনীংদবা, খ্বাইদগী ৱাবা ফ্রোগমেন হায়না খঙনবা ঈশিংদসু, কংফালদসু শীজিন্নবা য়াবা আর্মি ত্রেনিং লোইদুনা “Frogman” হায়রিবা মীংথোল অসি ফংজরে। হন্দক্কী বেটচতা মখোয় ১০ খক্তনি ত্রেনিং লোইদুনা পাস তৌখিবা। চহী খুদিংগী ফ্রোগমেন ত্রেনিং বেটচ অনীরক্নুম্বা পাঙথোকপদা মখল মখলগী ত্রেনিং লোইবা ঙমদুনা ফ্রোগমেন মীংথোল অসি ফংবসি শুপ্নগী মীওই তরাগী মখাদা পী। অয়াম্বনা ত্রেনিং হৌরকপদা, ময়ায় চল্লকপদা নৎত্রগা লোইরমদাইদা ঙমদদুনা তোকখিবনা অয়াম্বনি। অদুবু ইচা ননাওসে মানা নীংখিবদুদি থাদোক্তে। মহাকসু হান্না ত্রেনিং মনুংদা মখোঙ শোক্তুনা লমজেল চেনবা য়ারক্তবদগী কপনীং কপনীং লোইশিনবা ঙমদদুনা নীংবা কায়না তোকখিবনি। হন্দক ত্রেনিং লোইদুনা “Frogman Seal” ফংবদা মহাক অসুক্কী মতিক হরাওজখি। ঐখোয়সু মহাক্কীদমক য়াম্না চাওথোকপা পোকচখি। ত্রেনিং পাস তৌরবা মতুংদা য়ূমদা হল্লকপদা ইমুংদা খোঙ হেক থাংজিনবগা “Frogman comes home” কায়না হায়দুনা য়াম্না চাউথোকচনা মপা ঐঙোন্দা হায়জরিবনি।

চহী অনীমুকসি লেন্দ আর্মিদা লৈদুনা মখল মখাগী ফ্রোগমেনগী স্পেসল ত্রেনিং কয়া তৌদুনা অৱা অনা কয়া অমা থেংনবা অমদি ত্রেনিং ওফিসরশিংনা তত্তনা তাকপী তম্বীবা অমদি চৈরাক পীবা অদুদগী তম্লকপা অমদি মমা মপা অনীনা তাকপী তম্বীবা পাড়াশিং অদুনা মরম ওইদুনা ঙসিদি ইচা ননাওসে অসুক্কী মতিক ৱাখল তারে অদুগা পাত্রিক পারম্বা মশাদুসু ঙসিদি মশাসু য়াম্না কল্লে, ফরে। হান্না জিমদা শাজেল তৌ হায়খিদবা ইচা ননাওসে ঙসিদি হেক শংবদা জিমদা চৎতুনা শাজেল তৌই। ঐহাক্কসু মরক মরক্তা শান্নমিন্নে। করিগুম্বা পাউতাক অমা পীবদসু হোয় হায়দবা য়াওদ্রে। অসুক মঙাও থীরম্বা, মশা পাত্রিক পারম্বা, মমা মপা অনীনা অসুক্কী মতিক মহাক্কী খনবদা কোক শারম্বা ইচা অসিনা ঙসিদি মচননুপী বেম বেম অমদি মনাও অতোনবা বুং বুং অমদি মচেদা মহাক্না মশা ফবগী খুদম অমা ওইরে। করিগুম্বা মচিন মনাওশিংনা ৱা ঙাঙবদনি খঙদে, থবক ইনখাং তৌবদনি খঙদে অশোয়বা, অরানবা য়াওরবদি মহাক্না চৈরিবনি নৎত্রগা তাকপী তম্বীদুনা শেমদোক্লিবনি।

মীওইবসি অহোংবা নাইকো। নাকল অমরোমদনা, য়াম্না ৱাখল তানা, লাইরিক লাইশু হৈনা লৈরকপা ইচানুপী অহল চে চেনা ফৈজৈননা চৎপা অমুক হৌরকই মহাক্না চহী ১৪/১৫ চঙলকপা অদুৱাইদগী। মতমদুদগীনি চে চেসে ঐখোয় ইমুং মনুংগী মীওই অয়াম্বগা তিন্নবা য়ারক্তবা। তীনেজ চঙলকপগী অহোংবা লাকপা হায়বদু ওইরমাল্লে। চহী তরাহুমদোই মমাঙ, হায়বদি ইলিমেন্টরি অমদি জুনিয়র হায় স্কুল তল্লিঙৈদদি মহাক্না মৌপ্বা ননাওবু অয়ূক খুদিং হৌদোক্তুনা স্কুল চৎমিন্নরিবনি। মতমদুদা চে চেসে অসুক্কী মতিক মথৌ খঙই, হায়নবা নাইদে মথৌ তৌবদা। ঐহাক্না পূক্নিং থৌগৎপীদুনা, কন্না মমায় চুম্বীদুনা ইলিমেন্টরি অমদি জুনিয়র হায় স্কুলদা ক্লাস নম্বর ১,২ তাদুনতা লাক্লিবনি লোয়ননা “Model student” হায়বা মীংথোল ফাওবা ফংজরিবনি New Taipei City Mayor (Governor) দগী। মহাকপু ঐখোয় কম্ম্যুনিতিগী অমদি ওজাশিংনা থাগৎনরিবনি য়াম্না ফৈ, মথৌ খঙই, লাইরিক হৈ হায়দুনা। ঐখোয় কম্মুনিতিগী স্বিমিং পুলদা ইরোইবা ফাওবা শুপ্নগী নুমিৎ হুমনিদা ঐহাক্না তম্বীদুনা হৈখিবনি, ইরোইবা ঙমখিবনি। অদুবু কদোমদগী পাইশিল্লকপা নোংলৈ নুংশিৎনো খঙহৌদে অহোংবা কয়া লাকখিবা।

লৈরাং লৈশাৎ তমহনগে, হৈপাল উপাল মহৈ মহৈ য়ালহনগে হায়রবদি মখোঙ শোম্বা চঙই, ঈশিং চাইবীবা মথৌ তাই, লোয়ননা শা-ষণদগী ঙাকথোকপীবা মথৌ তাই হায়নবা লৈকো। মখা চথ্খজরকখিগে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।